# সনালৈবাক

(চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে)




হট্টাদা লৈবা পব্লিক হোস্পিটালদা ওরেপসন তৌবদা মীওই অমা লৈখিদবগী ঈরাং পুলিসনা লাকশিন্নবা হোৎনবা



চহিসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পলস পোলি ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

করন্না মীহুৎ খনগদগে হায়বা হীরমসিদা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা সিম্পোজিয়মদা শরুক য়াখিবশিং



ঙসি হৌদোকখিবা পলস পোলিও প্রোগ্রামদা অঙাং অমা পোলিও ভেক্সিন পীথকখিবা




Vol : 40 Issue : 147 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal , Monday, January 20, 2014 নিংথৌকাবা, ৱাকচিং ১৯ নি পানবা E-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com RNI Regd. No. 31350/77 ক্স 3.00


## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULAND**
Bk.upto :12-11-13
Valid From: 8-11-13 ***Stock:306***
*Timing: 6:30 to 9:00 am*

**POROMPAT GAS, POROMPAT**
Bk.upto : 14-11-13
Valid From: 1-11-13 ***Stock: 325***
***SL. No. 176652***

**GBD LAMLONG**
Bk.upto : 11-11-13
Valid From: 30-10-13 ***Stock:306***
*Timing: 7:30 to 11:00 am*

**LAMSHANG GAS AGENCY**
Bk.upto : 21-10-13
Valid From: 10-10-13 ***Stock:306***
*Timing: 7:30 to 10:00 am*

**LAMBODARA INDANE SERVICE**
Bk.upto : 20-11-13
Valid From: 18-11-13 ***Stock:270***
*Timing: 7:30 to 10:00 am*

# পিএমনা ঙসি অৱাং নোংপোক্কী চিফ মিনিষ্টরশিংগা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা খন্নগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৯ ঃ* প্রাইম মিনিষ্টর দাঃ মনমোহন সিংহনা অৱাং নোংপোক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং ঙসি উন্নদুনা লমদম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মতাংদা খন্নরগনি।

অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমগী চিফ মিনিষ্টরশিং উন্নদুনা লমদম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং, খুমাঙ চাওশিনবগী ৱাফম অমসুং লমদম অদুদা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা খন্নরগনি হায়রি।

অসামদগী রাজ্য সভাগী রিপ্রজেন্ট তৌরকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লমদম অদুদা পায়খৎলিবা মরু ওইনা লম্বী, রেলৱেজ অমসুং হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টশিং মপূং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক লমদমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্দা থিন্থহল্লে। মদুগী মরু ওইবা মরমদি ইন্সরজেন্সি প্রোব্লেমনি।

অদুগুম্বা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলিবা মীওইশিংবু শেলগীদমক ফাদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্লি। মদুনা মরম ওইরগা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অদু মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবগী খুদোংচাবা মায়োক্নরি।

চিফ মিনিষ্টরশিংগা পূন্না পাঙ–থোক্কদবা মীফম অদুদা শেল–থুমগী মতাংদা খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা থবক লোইশিনবা ঙমদবগী মতাংদসু খন্নগদৌরি। ত্রিপুরাগী চিফ মিনিষ্টর মনিক সরকার অমসুং মেঘলয়া চিফ মিনিষ্টর মুকুল সংমাবু সেন্টরনা পূক্নিং চিংশিনবগা লোয়ননা বোর্দর ত্রেদ লোয়ননা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগা নকশিন্নবগী মতাংদসু খন্নগদৌরি।

ইন্দিয়ানা ত্রিপুরাগী কোনুং অগরতালা অমসুং বাংলাদেশকী অখাওরাহগা শম্নবা য়াবা রেলৱে লাইন শেমগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। লোয়ননা ফেনি তুরেলগী মথক্তা থোং শাদুনা ছটিসগরগী ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্ট অমসুং ত্রিপুরাগী কোনুং অগরতালাগা শম্নহন্নবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎখ্রবনি।

অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমদা মিজোরাম ফাওদুনা ম্যান্মারগী তুরেল খালাদনগী মথক্তা থোং শাবগী ৱাফমসু হান্নমা লেপথোক্তুনা লৈখ্রবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা সিনো–ইন্দিয়ন বোর্দরগী লম্বীশিং খুমাঙ চাওশিন্নবা শেমগৎনবগীদমক অরুনাচলদা থবক পায়খৎলিবনি হায়রি।

# মক্রু থোং টি দি সিনা শেমজিনবা হৌখ্রে

*জিরিবামদগী বিশ্বরজিৎ*



জিরিবামদগী চেঙ চিংবা য়াওনা মাল পুবা গাড়ী খুদিংমক চেনবা লেপ্পগী ফিরেপ লৌখিবনি। টি ডি সিগী খোঙথাং অদুনা মরম ওইরগা মণিপুর সরকারগী মিনিষ্টর ৱার্কস ডাঃ কে ঐচ রতনকুমার মশামক টি ডি সিগী প্রসিডেন্ট ঐচ রঞ্জিৎকা লোয়ননা ডিপার্টমেন্টকী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা চত্তুনা থোং অসিগী

*কৈফুন্দাই, জনুৱারি ১৯ ঃ* মণিপুরগী নেস্নেল হায়ৱে–৩৭ ইম্ফাল জিরিবাক লম্বীগী মরুওইবা থোং অমা ওইরিবা মক্রু থোং মতম শাংনা ফিভম শোক্না লৈরম্বদু ত্রান্সপোর্টস এণ্ড দ্রাইভর্স কাউন্সিল (টি ডি সি)না ঙরাংদগী শেমজিনবা হৌখ্রে।

তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লুংকাও অমসুং কৈফুন্দাইগী মরক্তা লৈবা থোং অসি মতম শাংনা শেমজিনবীদবনা মরম ওইদুনা গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকখিবনি।

মসিনা মরম ওইরগা টি ডি সিগী মায়কৈদগী বি আর ওদা হায়জবদা তাবীদবনা থোং শেমদ্রিবা ফাওবা

➤মখা লমায় ৫ কলম ৭ দা

## লোইরেদনা




# অহানবা তাঙ্কক্কী পোলিও দ্রোপ পীথকখ্রে

এস এন এস

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৯ঃ* ইন্টেসিফাইদ পলস পোলিও ইমুনাইজেসন প্রোগ্রামগী চহি অসিগী ওইনা অহানবা তাঙ্কক্তা ঙসি ষ্টেট অসিগী চহি ০–৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা পোলিও দ্রোপ পিথকখ্রে।

মনিপুর সরকারগী ফেমিলি ৱেফেয়ার দিপার্টমেন্টনা মপুং ওইনা শীন্দুনা চত্থখিবা পি পি আই প্রোগ্রাম অসিগীদমক ষ্টেট শীনবা থুংনা পোলিও বুথ ৩৬০৯ হাংখি। অহানবা রাউন্দগী হিদাক পীথকপা অসিদা চাওরাক্না অঙাং ৩,৬০,৯১১ কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি। মরুওইনা মফম অমদগী অমদা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা লৈবা অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাক্তুনা লৈরবা অঙাংশিংদা হেন্না মিংয়েং থমদুনা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলি হায়রি।

জিরিবাম সব দিভিজনগী ওইনসু তোঙান তোঙানবা মফমদা পোলিও বুথ হাংদুনা অঙাংশিং হিদাক পিথকখি। জিরিবাম কম্যুনিটি হেলঠ সেন্টরগী ষ্টাফশিং অমদি অতৈ সবোর্দিনেট ষ্টাফশিং বরাক সার্কল য়াওনা বোরোইখল, সাবুঘাট অমদি বাবুখল এরিয়াদা পুন্না পোলিও বুথ ৭৪ হাংদুনা চহি ০–৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লিশিং ৬ রোমদা পোলিও হিদাক পীথকখি। মদুদা সুপরভাইজর ১২ অমদি এম ও ইন চার্জ ডাক্তর জি সোনাচন্দ শর্ম্মা, অমসুং ডাক্তর এম অমর্জিৎ য়াওনা শরুক য়াখি। জিরিবাম কৈথেলদসু পোলিও বুথ হাংদুনা অঙাংশিংদা হিদাক পীথকখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা জিরিবামদা বেজ তৌবা আসাম রাইফলসকী কাঙবুনা লোকেল ওথোরিটিগা খুৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট পোষ্ট অমসুং কদমতলাদা ই পি পি আই প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। আসাম রাইফলস য়ুনিট হোস্পিটালশিংগী মেদিকেল ওফিসার অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফ য়াওনা অঙাংশিংদা পোলিও দ্রোপ পীখি। এ আরনা শীন্দুনা হাংখিবা পোলিও বুথশিংদা জৱানশিংগী ইমুং মনুংগী অঙাংশিং য়াওনা পুন্না অঙাং ৩৭৫ রোমদা পোলিও দ্রোপ পীখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# শিন্মী ১সু কুকি লালহৌবশিংনা ফাখ্রে

এস এন এস

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৯ ঃ* হন্দক মরক লমদমসিদা খুৎলাই পায়বা কুকি লালহৌলুপশিংনা শেলগী দিমান্দদা শিন্মী কয়া ফাবগী থৌদোক লেপ্পা লৈতনা চথরি। থা অসিগী ১৬ কী নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদসু সাইকুল পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা ঐচ চম্ফাই ভিলেজদা ইম্ফাল টু সাইকুলগী লম্বী কোইলাস থাবগী থবক শুবা শিন্মী লেবর ১ কুকি লালহৌলুপনি চিংনবশিংদা দিমান্দদা ফাখ্রে হায়রি।

ফাখ্রবা শিন্মী অদুগী মমিং অশেম তোম্বা ৩৫, অপোকপা কালা থৌবাল লৈশাংথেমদগীনি। লেবর অসি মখোয়না লৈরিবা খোলাদগী ফাখিবনি। পুন্না খোলা অদুদা মীওই ১০ থবক শুবগী লৈখিবনি। নুমিৎ অদুদা কুকি লালহৌলুপনি চিংনবা খুৎলাই পায়বা মীওই ৩ লাক্লগা মহাকপু নোংমৈ চিন্দোলদা ফাখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউদা মহাকপু ফাখিবা কুকি লালহৌলুপশিং অদুনা হান্না ইম্ফাল টু দোলাইথাবী পুখাও চেনবা মেজিক দ্রাইভর সি ঐচ ইনাওবা (৩০) অপোকপা অঙাংচৌবা লৈতানপোকপী অসি হান্না ফাখি। মদুগী মতুং মেজিক অদুদা লাক্লগা শিন্মী অসিবু ফারবা মতুং মেজিক অদুদি থাদোকখ্রে হায়রি।

➤মখা লমায় ৫ কলম ৭ দা

# ওপরেসন্দা মীওই অমা শিবদগী ইরাং হৌখ্রে

এস এন এস

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৯ ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা হট্টাগী পব্লিক হোস্পিটালদা ওইথংবা খোঙগী খুবোমদা শিংলি পোমখৎলকপগী ওপরেসন তৌবদা নুপা অমা শিরে।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোইশাওনরবা মীয়াম্না মরাল লৈবা ডাক্তর দন্দি পীয়ু হায়না হোস্পিটাল অসিদা এটেক্ট তৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং ওইনাম লভিংসন (১৯) অপোকপা নন্দো ওইনাম শওম্বুংদগীনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা মীওই অসি থা অসিগী ১০ দা রিমসকী ও পি দি দা টিকেট কক্তুনা রিমসকী ডাক্তর কালাদা লায়েংখি। মহাক্কী ওইথংবা খোঙগী খুবোমদা শিংলি তোংখৎতুনা লৈরিবা অদু লায়েংবদা ডাক্তর কালানা মতম খরা চঙখিগনি হায়রকখি। অদুবু মীওই অসিদি হন্দক্তা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওইনা এস এস সি (জে দি) কন্সটেবল ওইনা খনবদগী ত্রেনিং চৎকদবা মীওইনি। অদুবু লৈখিদ্রবা মীওই অসিনা খরা

➤মখা লমায় ৫ কলম ৫ দা




Smt. Sonia Gandhi
Chairperson, UPA



Dr. Manmohan Singh
Prime Minister

**4.98 CRORE HOUSEHOLDS GET EMPLOYMENT THROUGH MGNREGA**

- Under Mahatma Gandhi National Rural Employment Guarantee Programme 12 crore job cards issued
- Average wages almost doubled from ₹ 65 to ₹ 128, since the launch of the scheme in 2007
- More than half of beneficiaries are women



भारत निर्माण के प्रमाण

REACHING PEOPLE, CHANGING LIVES.

Davp 22111/13/0209/1314